HUEIYEN LANPAO

# বিরচন্দ্র ফুটবোল একাদেমি টুর্নামেন্টতা টি বি এস এফ এ টিম বি অমসুং এম এস সি মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ১৭ ঃ

টি ঐচ বিরচন্দ্র সিংহ ফুটবোল একাদেমিনা শিন্দুনা তাওবুংখোক্তা লৈবা একাদেমি অসিগী গ্রাউন্দদা টিম ১০ না শরুক য়াদুনা চথরিবা ১২ শুবা অন্দর-১৬ টি ঐচ বিরচন্দ্র সিংহ ফুটবোল একাদেমি টুর্নামেন্ট ২০১৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেচতা টি বি এস এফ এ টিম বি তাওবুংখোক অমসুং এম এস সি মালোম মায় পাকখ্রে।



ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেচতা টি বি এস এফ এ টিম বি তাওবুংখোক্না টি দি সি এফ সি ময়াং লাংজিং গোল ২-১ দা মায়থীবা পীখ্রে। মেচ অদুদা লম্বা থেংনখিবা টিম অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা য়াম্না হৈশিংবা মান্ননা শান্নখিবনা অমনা অমবু লাকশিনবা ঙম্লখিদে। অদুম ওইনমক য়ূম্লু ওইরিবা টি বি এস এফ এ টিম বি তাওবুংখোক্কী শান্নরোয়শিংনা ওপোনেন্ট টিমদগী বোল পায়বগী চাং ৱাংনা লৈখিবগা লোয়নননা এটেক তৌবগী চাংসু খরা হেনখি।

মেচ অদুগী ১৬ শুবা মিনিটতা টি বি এস এফ এ টিম বিগী প্রবিন্না গোাল একাউন্ট হাংদোক্তুনা টিমগী মায় পাক্ন বগী লম্বী শেমখি। টি বি এস এফ এ টিম বি তাওবুংখোক্না গোল অমা মাঙজিল থানা লৈখ্রবা মতুং গোল শোত্থরিবা টি দি এফ সি ময়াং লাংজিংগী শান্নরোয়শিংনা গোল ইক্বেলাইজ তৌনবগীদমক য়াম্না কন্না শান্নরকপনা মেচকী ২৪ শুবা মিনিটতা দোলেন্দ্রোনা গোল ইক্বেলাইজ তৌখি। মায়কৈ অনীমক্না গোল অমমম চন্নদুনা লৈখ্রবা মতুং মেচকী অহানবা হাফ ফাওবদা টিম অমত্তনা অহেনবা গোল চন্নবা ঙমদনা গোল ১-১ দা লৈনখি।

হাফ মতুং মায়কৈ অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা অহেনবা গোল চন্দুনা মেচ মায় পাক্নবগীদমক য়াম্না কন্না শান্নরকখি। মেচ অদুগী ৭০ শুবা মিনিটতা টি বি এস এফ এ টিম বি তাওবুংখোক্কী এ সুরচন্দ্রনা টিমগী মায় পাকপগী গোল চনখি। মখা তানা টি দি সি এফ সি ময়াং লাংজিংনা গোল ইক্বেলাইজ তৌবা ঙমদনা টি বি এস এফ এ তাওবুংখোক্কী মখূৎতা মায়থীখি।

ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা মেচতা এম এস সি মালোম্না ৱাই টি জি পি টি য়াইরিপোক গোল ২-১ দা মায়থীবা পীখ্রে। মেচ অদুদা মায় পাক্লবা এম এস সি মালোমগী শান্নরোয়শিংনা অহানবা হাফকী মতমদা য়াম্না মপাঙ্গল কন্না অমসুং কোওর্দিনেশন লৈনা শান্নখিবনা গোল অনী থংনা থংননা চনশিন্দুনা য়াইরিপোক্তগী গোল অনী মাঙজিল থানা লৈখি। এম এস সি মালোমগী গোল অনী অদু এস কিষন্না মেচকী ২২ অমসুং ৩২ শুবা মিনিটতা চনখি।

গোল অনী শোত্থনা লৈরিবা য়াইরিপোক্কী শান্নরোয়শিংনা গোল হন্দোক্নবা ফনা কন্না হোৎনখি অদুবু মেচকী ৬৫ শুবা মিনিটতা কে অনিলকুমারনা টিমগী অমত্তা ঙাইরবা গোল চন্দুনা এম এস সি মালোমদগী গোল অমা হন্দোকপা ঙমখি।

মেচ অদুদা এম এস সি মালোমগী দল্লিয়ু অলেক্স, এস সমানন্দ অমসুং কে সনাতোম্বা অদুগা ৱাই টি জি পি টি য়াইরিপোক্কী দল্লিয়ু রাহুল, এ রাকেস অমসুং ৱাই সুসিলদা রেফ্রিনা য়েল্লো কার্দ অমমম তোঙান তোঙানবা মিনিটতা বুক তৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মখা চথরকপা ওইনা হয়েং অহানবা মেচ নুংথিল পুং ১ তাবা মতমদা টি বি এস এফ এ টিম এ তাওবুংখোক অমসুং কে এল ৱাই সি ইরিলবুংগা শান্নরগনি। অনীশুবা মেচ নুংথিল পুং ২.৩০ তাবা মতমদা এল এফ এ টিম এ অমসুং ক্লাসা (এফ এ) কৈনৌগা শান্নরগনি।

# য়ঙ ফিজিক য়ুনিয়ন, ক্লাসানা ফাইনেলদা শান্নরগনি

জিরিবাম, ফেব্রুৱারি ১৭ ঃ

ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিএশন (এ জে এস এ) জিরিবাম্না শিন্দুনা জিরিবাম হায়র সেকেন্দরি প্লে গ্রাউন্দদা মপান ষ্টেটকী টিমশিং য়াওনা অপূনবা টিম ১৬ না শরুক য়াদুনা চথরিবা ১১ শুবা জিরি কপ ইনভাইটেসন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৬ কী ফাইনেল থা অসিগী ১৯ দা লমদমসিগী মমিং লৈরবা টিম অমা ওইরিবা য়ঙ ফিজিক য়ুনিয়ন (ৱাই পি ঐচ য়ু) ইম্ফাল ৱেষ্ট অমসুং ক্লাসা বিষ্ণুপুর অনীনা শান্নরগনি।



টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা সেমী ফাইনেল মেচতা ক্লাসা বিষ্ণুপুরনা য়ু পি এস এ ইম্ফাল ইষ্ট গোল ২-১ দা মায়থীবা পীদুনা ক্লাসা বিষ্ণুপুর ফাইনেল চঙখি। ক্লাসাগী মখূৎতা মায়থীহৌরবা য়ু পি এস এ ইম্ফাল ইষ্ট টুর্নামেন্ট অসিদগী ফাইনেল চঙবা ঙমদনা নীংবা কায়না লৈহৌখি।

ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা সেমী ফাইনেল মেচ অদুদা ক্লাসা বিষ্ণুপুর অমসুং য়ু পি এস এ ইম্ফাল ইষ্টকী শান্নরোয়শিংনা মেচকী মতম পূম্বদা অকনবা লম্বা তৌনখি। য়াম্না কম্পিটিটিভ ওইখিবা মেচ অদুদা য়ু পি এস এ ইম্ফাল ইষ্টনা টোস ঙমদুনা মায়কৈ খনখি।

মেচ অদু ক্লাসা বিষ্ণুপুরনা বোল কাউদুনা হৌখিবগা লোয়নননা অমনা অমগী মায়কৈদা বোল মুন্নদুনা এটেক চত্থদুনা গোল ওন্থোক্নবা হোৎনরকখি। মমাঙ চহীদা পাঙথোকখিবা জিরি কপকী ১০ শুবা এদিশন্দা চেম্পিয়ন ওইখিবা ক্লাসা বিষ্ণুপুরগী শান্নরোয়শিংনা য়াম্না হৈশিংনা শান্নদুনা ওপোনেন্ট টিমগী মায়কৈদা খুদোংথিনিংঙাই ওইরবা অকনবা এটেক চত্থরকখি। দিফেন্দিং চেম্পিয়ন ক্লাসা বিষ্ণুপুরনা চত্থরিবা টুর্নামেন্ট অসিদসু অমুক হন্না চেম্পিয়ন ওইবগী অচেৎপা থাজবা থল্লি। অদুম ওইনমক য়ু পি এস এ ইম্ফাল ইষ্টকী শান্নরোয়শিংনসু ঙসিগী মেচ অসি মায় পাত্তবা য়াদে হায়বগী অচেৎপা ৱাখল্লোনগা লোয়নননা য়াম্না কন্না শান্নখি।

মেচ অসিবু খোইদানা য়েংলিবা ফুটবোলদা ঙাওজবা মীয়াম্না মেচ অসি কনানা মায় পাত্তুনা ফাইনেল চঙগদগে হায়বা ঙম্লখিদে। হৈশিংবা মান্ননা শান্নখিবা মেচ অদুগী ১৬ শুবা মিনিটতা য়ু পি এস এ ইম্ফাল ইষ্টকী মমিং লৈরবা শান্নরোয় এল ইতোচানা গোল একাউন্ট হাংদোকখি।

য়ু পি এস এ ইম্ফাল ইষ্টনা গোল অমা মাঙজিল হেক থাখিবগা গোল শোত্থরিবা ক্লাসা বিষ্ণুপুরগী শান্নরোয়শিংনা গোল হন্দোক্নবগীদমক য়াম্না কন্না শান্নখি অদুবু ক্লাসাগী শান্নরোয়শিং অদুনা মেচকী অহানবা হাফ ফাওবদা গোল অমত্তা চনবা ঙমদবদগী য়ু পি এস এগী মখূৎতা গোল অমা শোত্থনা লৈখি।

হাফ মতুংদা ক্লাসাগী শান্নরোয়শিংনা লাল্লোং কয়া তৌদুনা য়ু পি এস এগী মায়কৈদা অকনবা এটেক চত্থদুনা গোল চন্নবা হোৎনখি। ক্লাসাগী য়াম্না মরু ওইবা শান্নরোয় অমা ওইরিবা রামেনা মেচকী ৬৬ শুবা মিনিটতা গোল ইক্বেলাইজ তৌদুনা মহাক্কী টিমমেটশিংদা থৌনা হাপখি।

টিম অনীমক্না গোল অমমম চন্নদুনা লৈখ্রবা মতুং ইকান কান্নদনা মেচকী ৭০ শুবা মিনিটতা ক্লাসাগী রামেনা অমুক হন্না গোল অমা চন্দুনা মেচ মায় পাকখি।



H/L-B/2883/9,12,15,18,21,24,26,29,2,5,7,9,12,15,18,21,24,27feb. 2,5 march



H/L-B/2953/10/02-9/03




Printed, published by Soubam Niladhaja Singh owned by Soubam Niladhaja Singh published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal-795001 & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal, Manipur
Editor : Hemantakumar Ningomba; Asstt. Editor : Kh. Nandalal; Group Editor : Soubam Niladhaja Singh; RNI No. 40746/1978; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com, www.hueiyenlanpao.com